## ঙমখৈগী মতাংদা পি এম নরেন্দ্র মোদিবু হুন্দুনা ঙাঙখ্রে

মুম্বাই, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন লৈবাক অনীগী মরক্তা থোক্লিবা উংখৎনবগী থৌদোক অসিদা ইন্দিয়ানা মেদিয়েটর অমা ওইনা থবক তৌরি অদুবু লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা মহারাষ্ট্র অমসুং কর্নতাকা ঙমখৈগী মতাংদা চয়েৎনবশিং অসিগী মতাংদদি ৱারোইশিন পুরক্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হোৎনবা লৈত্রি হায়না সিভ সেনা (উধব বলাসাহেব থাক্রে) ফেক্সনগী লুচিংবা সঞ্জয় রাউটনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সিভ সেনাগী এম পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মহারাষ্ট্র অমসুং কর্নতকা ষ্টেট অনীগী মরক্তা থোক্লিবা অসি মী মশেল মুক্নবা নত্তে মসিদি হিংনবগী লানফমদা মুক্নবনি হায়না লৌবা য়াই। ঙমখৈগী শরুক্তা চয়েৎনবা কয়া লাকপনা মরম ওইরগা চখোক চৎশিন তৌদুনা শেল তাল্লম্বা অমদি হিংনবা লন্মী ওইরম্বা মীওই কয়া চারা হেনবগী ফিভমদা লাক্লে। ঙমখৈগী শরুক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকপদগী য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা ৱারোইশিন পুরক্নবা থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রবসু মদুগী কান্নবা অমত্তা ফংবা লৈত্রি হায়না রাজ্য সভাগী এম পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বি জে পি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা করপসন হন্থহনবা ঙম্লে : নরেন্দ্র মোদি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা লালহৌবগী প্রোব্লেম, চাওখৎ মনিং হনবা অমদি করপসনগী ওইবা ৱাথোক কয়া লৈরম্বা অদু বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং হন্থহনবা ঙম্লে হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা মেঘলায়াগী কেপিটেল সীটি শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা নোর্থইষ্ট কাউন্সিলগী গোল্ডন জুবিলিগী থৌরমগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হান্না লৈবাক অসিদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা মীৎয়েং চঙবগী চাং য়াম্না ৱাৎলমখি। অদুবু বি জে পিনা লৈবাক অসিদা চহী ৮ লৈঙাক পায়রকখিবা মতম অসিদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা চাওখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়া মায় পাক্লা পায়খৎলকখিবগা লোয়ননা ফুটবোল শান্নবা মতমদা কা হেন্না অরানবা মওংদা শান্নরকপা শান্নরোয়শিংদা রেদ কার্দ পীদুনা তান্থোকপগুম চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং অমদি ঈং তপ্পা লৈরিঙৈদা অকায়বা পীরকপা কয়াদসু লৈরিবা লৈঙাক অসিনা রেদ কার্দ পীদুনা ৱার্নিং পীবগা লোয়ননা তান্থোক্তুনা লাক্লি।

অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা লৈবাক অসিগী ইহান হানবা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লীংখৎখিবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা স্পোর্টসকা মরী লৈনবা অচৌবা প্রোজেক্ট ৯০ পায়খৎপা হৌখ্রে। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া থোরক্লি। মখা তানা ফুটবোলগী লমদা অফবা শান্নরোয় কয়া মায়কৈ অসিদগী থোরক্কনি হায়বগী চাওনা থাজবা লৈ। ঙসি কটারদা শান্নগদৌরিবা ৱার্ল্ড কপ ফাইনেল মেটচকীদমক ঐখোয়না খৌরাংনা ঙাইরি। অদুবু লৈবাক অসিনা ৱল্ড কপতা শরুক য়াদুনা মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্নবগী মতম অদু নকশিল্লেক্লে। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদগী থোরক্লিবা শান্নরোয় কয়ানা লৈবাক অসিগী মঙলান শোয়দনা মঙফাওনগহল্লগনি হায়বসি খুদিংমক্না খঙই অমদি থাজবসু থম্মী হায়রি।

## চাইনিজ লান্মীশিংবু পারা তন্বীবগী মহুত্তা থাগৎপা ফোঙদোক্লি : অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা চাইনানা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চখ্থরক্লিবা অসিগী মতাংদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা চাইনিজ লান্মীশিংবু পারা তন্বীবগী মহুত্তা থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা লৈরে হায়না দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা লৈরিবা লৈঙাক অসিগী চেকশিন্দবা থৌওংশিংনা মরম ওইরগা চাইনিজ লান্মীশিংনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকশিংদা য়াম্না তোয়না শিংনরক্লিবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর আবিন্দ কেজ্রিৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুকতা লৈরিবা অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চনবা তৱাং সেক্টরদা থা অসিগী ৯ দা চাইনিজ মিলিটরিনা লৈবাক অসিগী ঙমখৈ শরুক্তা অরানবা মওংদা চঙশিল্লকপদগী মুক্নবগী থৌদোকশিং থোকখি। মদুদা নাকল অনীমক্কী লান্মীশিংগী মরক্তা অশি অনা থোকহনখিদ্রবসু মাইনর ওইনা শোকহনখি। হৌখিবা কুমজা ২০২০ দসু গালৱানদা চাইনিজ আর্মি অমদি লৈবাক অসিগী লান্মীশিংগা খুৎ থোক্নরকপদগী ইন্দিয়ন আর্মি ২০ শিহনখিবগা লোয়ননা চাইনাগী লান্মী ৪০ রোম অশি অনা অমদি অশোক অপন থোকহনখি। অদুবু ঙসি ফাওবদা লৈবাক অসিনা চাইনানা চখ্থরক্লিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদুগী পাউখুম চপ চানা পীদ্রি। মসি য়াম্না লাইবক থিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথনা থা অসিগী ৯দা থোকখিবা থৌদোক অদু লাইবকফবদগী অশোক অপন অমত্তা থোকখিদে হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক চাইনানা চখ্থরক্লিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদুগী মায়োক্তা করি করম্বা থবক পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে। মদুগী মহুত্তা লোকেল কম্মান্দরশিং ৱারী শান্নদুনা য়াশিন্নবা পুরকখ্রে হায়না ফোঙদোক্লি। মসিদি চাইনিজ আর্মিগী কা হেনবা থবক থৌওং কয়া অদুবু পুক্লিং থৌগত্তুনা মনা পীবগা চপ মান্নে হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## লৌমীশিংগী লোন কোকপীগনি

ভোপাল, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা মধ্য প্রদেশ এসেমব্লি মীখলদা কোংগ্রেসনা মায় পাক্কুনা পৱার পায়রবদি লৌমীশিংগী লোনগী শেনফম কোকপীগনি হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখ্রে।

মধ্র প্রদেশ কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ষ্টেট অসিগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কমল নাথনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিদা হান্না কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা লৌমীশিংগী লোন কোকপীনবা স্কিম কয়া হৌদোক্লমখি। স্কিমশিং অদু অমুক হন্না হিংগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি কোংগ্রেসকী পান্দমনি। মরম অদুনা মীয়ামনা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা কোংগ্রেসতা পৱার শিন্ননবা অপিল তৌরক্লি।

## মোদি গভর্ণমেন্টনা ঙাঙথোকখিবা ৱা অমত্তা ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি ঃ শরদ পৱার



মুম্বাই, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক পায়খৎকনি হায়না লাউথোকখিবা থবক থৌরম অমত্তা ঙসি ফাওবদা মপুং ফানা পায়খৎপা লৈত্রি হায়না নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট শরদ পৱারনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি ৱাশক ঙাক্তবা লৈঙাক্লি হায়নসু হুন্দুনা ঙাঙখ্রে।

মহারাষ্ট্রগী থানেদা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা এন সী পিগী লুচিংবা অসিনা মখা তানা হায়, নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লৈবাক অসিদা লাকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা ৱাশক কয়া শকখ্রে। মদুগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ওইনা লৈরিবা য়ুম শাবা ঙমজদবা মীওই খুদিংমক্কী য়ুম অমমম শাবীগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ৱাশকখি। অদুবু মহাক্কী ৱাশক অদু ঙসি ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী ইলেক্সনদা মোদিনা অমদি বি জে পিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা শকখিবা ৱাশকশিং অদু তৌশিন্নবা ঙাক্তনি হায়বসি ঙসিদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙলে। হৌজিক লৈরিবা মোদি লৈঙাক্কী মরুওইবা মথৌদাংদি বি জে পিগী মায়োক্তা লৈরিবা অতোপ্পা পার্টিশিংগী গভর্ণমেন্টপু অঙন্বা পান্বে শীজিন্নদুনা ইন্থুবনি। মসিগী ময়েক লারবা খুদম হায়রবু মহারাষ্ট্রদা হান্না লৈরম্বা উধব থাক্রেনা লুচিংবা শিব সেনাগী লৈঙাক অদুবু শিংচেপ থাজিন্দুনা থুগায়রবা মতুং শিব সেনাগী রেভেল এম এল এ একনাথ সিন্দেনা লুচিংদুনা বি জে পিগা খুৎশম্নরগা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবা অসিনি। দেল্লি লৈঙাকসু বি জে পিনা থুগায়নবা হোৎনরি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রি।

## গুজরাটপু লান্না উহন্নবা অমদি হিরম খুদিংমক্তা অয়েৎপা পীনবা হোৎনরি ঃ নরেন্দ্র মোদি



ভুজ, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : গুজরাটকী ভুজ দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা রেল্লি অমদি তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী উরেপ উয়ুং তম্বগী থৌরমগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী হোম ষ্টেট ওইরিবা গুজরাটপু লৈবাক অসিগী মীয়াম মমাঙদা লান্না উহন্নবা অমদি ষ্টেট অসিদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবা থিংনবা মীওই খরনা হোৎনরে হায়রি।

মহাক্না মখা তনা ফোঙদোকখিবদা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সন বি জে পিনা চাওনা মায় পাকখ্রবা মতুং তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা অরানবা প্রোপেগেন্দা কয়া শন্দোক্তুনা মহাক্কী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরি। অদুবু মহাক্না লৈবাক অসিগীদমক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়াম্না খঙবা অমদি নুংশিবিবনা মরম ওইরগা মায়থিবা পীবা ঙমদনা লাক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০০১ দা গুজরাটকী কুটচ দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা অকনবা যুহা হাবগী থৌদোক অমদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী শরুক অয়াম্বা চাওনা অমাঙ অতা থোকহনখি। মতম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট অসি হান্নগুম শেমগৎকনি হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখি। অদুবু ঙসিদি মহাক্না পীখিবা থাজবা অদু মীয়াম্না উবা ফংলিবা অসিনি। কুটচতা থোকখিবা অকনবা যুহা হাবগী থৌদোক অদুগী মতুং দিষ্ট্রিক্ট অসি অমুক হন্না শেমগৎপা ঙম্লরোই হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকখি। অদুবু ঙসিদি খুদিংমক অদুবু তুংওইনরল্লগা কুটচ দিষ্ট্রিক্ট হান্নগুম শেমগৎপা ঙম্লিবা অসিনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লাক্লিবা কুমজা ২০৪৭ ফাওবদা ইন্দিয়ানা মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনরি। মসিদা মীয়ামগী মতেং য়াম্না মথৌ তায়। মীয়ামগী মতেং য়াওদনা হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না পায়খৎনিংলিবা থবক থৌরমশিং মপুং ফানা পায়খৎপা ঙম্লোই হায়রি।

## হায় লেভেল ইনক্বারী কম্মিটি শেম্নবা খঙহনখ্রে

স্রিনগর, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী মনুং চনবা রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা আর্মি কেম্প অমগী মনাক্তা মীওই অনী নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবগী থৌদোক অদুবু সেন্টরনা য়াম্না হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবগীদমক অৱাং থাক্কী ইনক্বারী কম্মিটি অমা শেম্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহনা খঙহনখ্রে হায়না জে এন্দ কে বি জে পি য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট রভিন্দর রাইনানা ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াবদি আর্মি কেম্প মনাক্তা মীচম অনী নোংমৈনা পান্দুনা শিখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই কয়ানা কেম্প অদুগী মমাংদা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্নবা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। আর্মিগী মায়কৈদগীদি মীওই অনী অদু লালহৌবগী নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শিখিবনি হায়না ক্লেইম তৌরি।

## বি জে পিনা নিটিস কুমারবু হুন্দুনা ঙাঙবা লেপ্ত্রি কম্পেন্সেসন পীয়ু হায়বদা নিটিস কুমারনা য়াখিদ্রে



পটনা, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : নুমিৎ খরনিগী মমাংদা বিহারদা হূ চেনবা য়ু থক্লুবদগী মীওই ৩০ রোম শিখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ওপোজিসনদা লৈরিবা বি জে পিনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারবু হুন্দুনা ঙাঙখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগীদমক লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং অমত্তা চংবিদ্রে হায়নসু মরাল শিরক্লি। অমরোমদা য়ু থকপদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেন্সেসন পীরোই হায়বা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারগী ফিরেপ হান্নদগী অমুক হেন্না চেৎশিনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা এন দি এ গভর্নমেন্টকা পুন্না চৎমিন্নরিবা এল জে পিগী এম পি চিরাগ পাসৱননা ফোঙদোকখিবদা, বিহারদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা হূ চেনবা য়ু থক্লুবদগী লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা ঙসি ফাওবদা উন্নদুনা ৱারী শাবা লৈত্রি। মীওই ৩০ হেন্না শিরবা ফাওবদা খঙশিন্নদবা শাদুনা লৈরি। মসি লুচিংবা অমা ওইবগী মথৌ নত্তে। ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা অৱাবা তাখ্রবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শারুরে অমদি পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংলগনি হায়রি।

অমরোমদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা য়ু থকপদা শিখিবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা কম্পেন্সেসন অমত্তা পীরোই হায়না ফোঙদোকখিবা মহাক্কী ৱাফম হান্নদগী হেন্না চেৎশিনখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী মায়কৈদগী কম্পেন্সেসন পীরোই হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদগী অহোংবা অমত্তা লৈতে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক অসিনা য়ু থকপা মীওইশিংবু কৈদৌনুংদা পুক্লিং থৌগৎপা তৌদে। য়ু থকপা অফবা নত্তে হায়দুনা মহাক্কী লৈঙাক্না তোয়না মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। মীয়াম্নসু য়ু থক্তনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১৭৬ থেংনখি



ন্যু দেল্লি, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৭৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই মঙা শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৭৬ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৭৫,৯৫২ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৩৫৫২ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ৫ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৬৭২ দা লেঙদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা ৩০,০০,০০০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ দা ৪০,০০,০০০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা ৫০,০০,০০০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়াগী অপুনবা মীশিং ক্রোর ২২০ কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন মায় পাক্না কাপথোকখ্রে হায়রি।

## কুমজা ২০২১ গী ওইনা রেপ কেস খ্বাইদগী হেন্না থোকপা ষ্টেট রাজস্থাননা ওইখি : রিপোর্ট

জয়পুর, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিগী ওইনা হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা রেপ কেস খ্বাইদগী হেন্না থোকখিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা রাজস্থাননা মকোক ইথং থংবদা লৈবগা লোয়ননা কুমজা ২০২০ দা থোকখিবা রেপ কেসকী চাংদগী কুমজা ২০২১ দা থোকপা রেপ কেসকী চাং চাদা ১৯ গী চাংদা হেনগৎখি হায়না নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মমাঙ চহীদা লৈবাক অসিগী ওইনা পুন্না রেপ কেসকী থৌদোক ৩১,৬৭৭ থোকখি হায়না ওফিসল ওইনা রেজিষ্টর তৌরকপা লৈখি। মদুগী মনুংদা ৬,৩৩৭ তি রাজস্থান খক্তদা থোকখিবা কেসনি। মদুগী মতুংদা উট্টর প্রদেশনা রেপ কেস অনীসুবদা লৈরি। ষ্টেট অসিগী ওইনা মমাঙ চহীদা রেপ কেসকী থৌদোক ২,৮৪৫ থোকখি হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা রাজস্থানদা রেপ কেসকী থৌদোক ৩,৩০৫ থোকখি। ২০১৮ দা ৪,৩৩৫; ২০১৯ দা ৫,৯৯৭ অদুগা ২০২০ দা রেপ কেসকী থৌদোক ৫,৩১০ থোকখি। অদুগা মমাঙ চহীগী ওইনা ষ্টেট অসিদা ওইনা রেপ কেসকী থৌদোক ৬,৩৩৭ থোকখিবনি।

মমাঙ চহীদা লৈবাক অসিগী ওইনা নুপী অমদি অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা পুন্না কেস ৪,২৮,২৭৮ রেজিষ্টর তৌরকখি। রেপ কেসতা রাজস্থাননা লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী মশিং হেল্লবসু নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিংগী ওইনদি উট্টর প্রদেশনা মশিং খ্বাইদগী য়াল্লি। মমাঙ চহীদা উট্টর প্রদেশতা নুপী অমসুং অঙাংদা চথুবা ক্রাইমগী কেস ৫৬,০৮৩ রেজিষ্টর তৌরকখি অদুগা রাজস্থানগী ওইনা ৪০,৭৩৮ রেজিষ্টর তৌরকখি হায়রি। নুপী অঙাংদা চথুবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা মহারাষ্ট্র অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবদা লৈরি হায়না নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোগী রিপোর্ট অসিনা মখা তারি।

## এসিদ এটেকেতা শোক্লবী নুপীমচা অমগী ট্রিটমেন্ট চথবদা লৈঙাক্না মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখ্রে

রানচি, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : জরখন্দগী সত্রা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা এসিদ এটেককী থৌদোক্তা হিংহৌরবী মশাগী চহী ১৭ রোম শুরবী নুপীমচা অমা মখা তানা ট্রিটমেন্ট চথনবীগদমক দেল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) তা এরোপ্লেনগী খুথাংদা পুখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না থা অসিগী ৫ দা চহী ১৭ রোম শুরবী নুপীমচা অসিদা নুপা অমনা এসিদ হৈজিন্দুনা এটেক চথখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী হকচাংগী শরুক খরা ফীভম থিনা চাকথেকখ্রে। মহাক রানচিগী রাজেন্দ্র ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেসতা ট্রিটমেন্ট চথদুনা লাকখিবনি। অদুবু মহাক্কী অশোকপা অদু ফীভম লুবনা মরম ওইরগা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা চল্লাইবা হোস্পিটাল অসিগী মেদিকেল বোর্দনা কুপ্না খন্নরবা মতুং হেন্না ফবা ট্রিটমেন্ট অমগীদমক মহাকপু দেল্লিগী এইমসতা রিফর তৌখিবনি হায়না হোস্পিটাল অসিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না নুপীমচা অসিগী অনা লায়েংগীদমক গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্ট ওইনা লুপা লাখ অমা পীরকখ্রে। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু নুপীমচা অসি কন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়না ফোঙদোরকপা লৈখ্রে হায়রি।

অমরোমদা জরখন্দগী চীফ মিনিষ্টর হেমন্ট সোরেননা ফোঙদোকখিবদা থৌদোক অসি ঙাকপীবা ঙম্লোইদবা থৌদোক অমনি। থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই পুলিসনা ফারে। মহাক্কী মথক্তা লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎনবা শেম-শাবা লোইরে হায়রি।

## রাহুল গান্ধীগী ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎনা বি জে পিগী মেম্বর খুদিংমক্তা অকিবা পোকহল্লে



জয়পুর, দিসেম্বর ১৮ (এজেন্সী) : কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা হৌজিক হৌজিক চৎলিবা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎনা মরম ওইরগা সেন্টরদা রুলিং পার্টি ওইনা লৈরিবা বি জে পিগী মেম্বর খুদিংমক্তা অকিবা পোকহল্লে হায়না কোংগ্রেসকী সিনিয়র লিদর জয়রাম রামেসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাক্কুনা পার্টি অসিনা লুচিংবা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙম্লগনি হায়রি।

কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা ভারত জোরা যাত্রাগী খোঙচৎ নুমিৎ ১০০ নি মপুঙ ফাখিবগা লোয়ননা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াবা মীগী মশিং কা হেন্না য়ামখৎলকখিবা অসিনা মরম ওইরগা বি জে পিগী মেম্বরশিং তুংদা লাক্কদবা মীখলশিংদা মায়থিবা নংলগনি হায়বগী অকিবা পোকপা হৌনরে হায়বসি ময়েক শেংলবা ৱাফম্নি। থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা গুজরাৎকী ওইনা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা কোংগ্রেসনা মায়থিবা নংলবসু হিমাচল প্রদেশকী মীখলদা হান্না ষ্টেট অদুদা লৈরম্বা বি জে পিগী লৈঙাক অদুবু মায়থিবা পীদুনা কোংগ্রেসকী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমখ্রে। হিমাচল প্রদেশতা কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাক্কুনা লৈঙাক শেমখিবা অদুসু রাহুল গান্ধীগী ভারত জোরা যাত্রানা পীবা খুদোল অমনি।

কোংগ্রেসকী অনৌবা প্রসিদেন্ট মালিকঅর্জুন খর্গেগী মীৎয়েং মখাদা অনৌবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। রাহুল গান্ধী অমসুং কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট খর্গেগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিনা পার্টি অসিগী মপাঙ্গল হান্নগুম কনখৎহনবা ঙম্লে। অমরোমদা লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌবগী তঙায়ফদবা লৈ হায়রি।